# ৱাখল চোয়রবশিংবু নুংশিনা য়েংবীয়ু হায়না উৎলিবা 'তামোয়াইগী ইবেচা'

একেন সিজেপ্তরুময়ুম

লাইনিংথৌ লম অহিংবা ফিল্ম প্রদক্সনগী অহানবা ওইনা পুথোক্লিবা 'তামোয়াইগী ইবেচা' হায়রিবা ফিল্ম অসিগী ষ্টোরি, স্ক্রনপ্লে, দাইলোগ অমদি দিরেক্টর পিলু হৈগ্রুজমনি। ফিল্ম অসিগী প্রদ্যুসর রাধা অমদি সুনিতা কৈনৌনি। ফিল্ম অসিদা মরুওইবা শক্তম লাংলিবশিংদি বোনি, বালা, বিদ্যানন্দা, সোনিয়া, নরেন্দ্র নিঙোম্বা, পুর্ণেশ্বরি, ললিতাবী, ললিৎ, বেবেতো অমদি হরিসনচিংবনি।

ফিল্ম অসিদা দিরেক্টর ওইরিবা পিলুনা মহাক্না থেংনখ্রবা মীওই অনীদা য়ুমফম ওইরগা শাগৎতুনা পুথোকপা ফিল্ম অমা ওইরগসু মীয়াম্না পাম্নবা ফিল্ম অমা ওইরি। হৌজিকসু ইম্ফালগী ফ্রেন্স টোকিজদা উৎলি।

ফিল্ম অসিদা ৱারি অনী ফুমদুনা পুরি। ৱারি অমনা তামোয়াই অমদি ইবেচাগী অঙাওবগী মতৌ অদুগা অমনা লাইরববু ইনাক খুনবনা হন্থনা য়েংবা কয়াদা য়ুমফম ওইরগা ৱারি অমত্তা ওইনা পুন্না পুরগা চৎপা ফিল্ম অমনি। ফিল্ম অসিদা বোনিনা মতৌ করম্না ৱাখল চোয়খিবনো হায়বা অদুদি ৱারি লিথোকপা ওইনা উৎলি। অদুগা বালানা ৱাখল চোয়খিবা অদুদা মতাং অমতদা নীংথিনা ফোঙদোক্তে। ৱাহৈনা ফোঙদোকপা য়াবা মতাংদসু ফোংদোক্তনা অদুমক ফুল্লগা চৎখি। ফিল্ম অসিগী ৱারি অদু তাদবা য়াদে হায়দুনা ফোর্স লেন্দিং ওইবা মওংদা ফিল্ম লোয়শিনবগী চৎনবী অমদি মণিপুরী ফিল্মশিংদা হৌজিকসু অদুমক থেংনরি হায়বা য়াই। ফিল্ম অসিগী দিরেক্টর ওইরিবা পিলু ঐচনা অচৌবা রোল লৌরিবা ফিল্ম অসি মীয়ামদা লাম্হোল্লবা মতুংদা মীয়াম্না পাম্না য়েংনবা অমদি পেনবা মতাং খরদি অদুমক য়াওই।

ফিল্ম অসিদা শক্তম লাংলিবা এক্টর অমদি এক্ট্রেসশিংনা পুক্লিং লুপশিন্না এক্ট তৌবা মতাং খরসু অদুমক য়াওই হায়বদা থোইদোক্না লাল্লোই। মখোয়না চেকশিনবা ৱাৎপা মতাংশিং ফোঙদোকখি। মপানা লাল্লে হায়জরবনিনা মচানুপীনসু য়াখি, ময়ানুপা ওইগদবা শানৌনসু য়াবগা লোয়ননা মখোয় অনীগী লুহোংবদি ময়াম্বা তামোয়াইগী লুহোংবা পাঙথোক্লবা মতুংদা পাঙথোক্কনি হায়না ৱারেপ্নবদগী লুহোংবদা চঙবা শেল খুদিংমক ময়ানুপাগী মায় য়েংদুনা শেঞ্জাও পায়বা মীওই অদুনা পুথোক্তুনা তামোয়াই অমদি ইবেচা লুহোংলবা মতুংদা ফিল্ম অসি লোয়শিনখি। মসিনা তাক্লিবদি ফিল্ম অসিদা অতৈ অতৈ মসা ওইনা হাপ্লিবা ৱারি অদুবুদি তামোয়াই অমদি ইবেচাগী ৱারিনা হেন্না মরুওইনা পুথোকপনি হায়বসি মশানা অদুমক তারবা অমনি।



ফিল্ম অসিগী মতাং খরদা লবুক্তা ফমদুনা অরেম্বদা মতম মাঙহনবা মীওই খরনা তামোয়াইবু তত্তনা লক্লদুনা করেম কথাইনবা থৌদোক কয়া তত্তনা তৌখি। অহানবা ওইনা তামোয়াইবু মীওইশিং অদুনা শেৎলিবা খোঙ্গ্রাউ ফাওবা চিংথদুনা লক্লখি। মীমান্নদ্রবা ময়াম্ববু মীওইশিং অদুনা করেম কথাইনবা মওংদা লক্লরম্বা উরুবদগী শানৌ (বিদ্যানন্দা)না শাওদুনা মখোয়গা খৎনখি। ময়াম্ববু মীনা শোকপা য়াদবা ওইনা মহাক্না লেপখিবা কয়া অমসু ফিল্ম অসিদা উৎলি। নাকল অমরোমদা ইবেচাসু মহাক্কী ময়াম্বা নরেন্দ্র নিঙোম্বনা য়াম্না লুনা তৌবি মচননুপী অমা ওইবগা লোয়ননা মহাক্কী নুপীগী রোল কুন্নিবী পুর্ণেশ্বরিনা থিনা ফুরম্বা থেংনবদা মহাক্কী নুপী ফাওবা মপামদা চৎখ্রো, ঐগী ইচল অসি ঐনা নঙোন্দগী হেন্না নুংশি হায়বা ৱাফম ফাওবা ফোঙদোকখিবা অদুদা ফিল্ম অসিগী দিরেক্টরগী থৌ পুরিবা পিলুনা কোমথোকপা মানবা অমসু অদুমক ফিল্মগী সিন খরদা থেংনৈ। তামোয়াইনা অয়াম্বা মতমদা ইবেচাগী মনাক্তা লৈনিংবা অমদি মহাক্না তোৎননিংবা কয়া অসিনা ফিল্ম অসিগী মরুওইবা ৱারি ওইনা শাগৎপা অদুনা মরম ওইরগা তামোয়াইগী মনাওনুপা শানৌনা নাথৈদুনা থম্বা মানবা মওং খরসু উই। মসিনা তাক্লিবদি ফিল্ম অসিগী মরুওইবা ৱারি অসি তামোয়াইনি।

শানৌনা ইনাক কৈরাক খুনবা ইমুংগী নুপীমচা অমা কোইরম্মী। নুপীমচা অদুনা মহাকপুসু নুংশি। অদুমওইনমক মপানদি লাইরবা ইমুংগী মচা ওইবনা মহাকপু মমাকনুপা ওইবা পামদবদগী হাৎনবা থৌরাং কয়া অমসু পায়খৎখি। মমৈথংদা লিননা মখুনদা চঙলমদাইদা চুম্মী হায়বগুম্না মমাকনুপা ওইগদৌরিবা শানৌবু থাংনা থিলহনখিবা থৌদোক অদুগী মতুংদা মপানা মচানুপীগী মনাক্তা লাক্তুনা থোকখিবা থৌদোকশিং অদু ঙাকপীয়ু হায়বা ৱাফম কয়া অসিনা মীমান্নদ্রবী মচলবু খঞ্জবী মবুং অমনি হায়বা উৎখি।

ফিল্ম অসিদা সিন য়াম্না থোক্ত্রবসু তামোয়াইবু তৎতনা করেম কথাইনবা মীওই অমগী রোল শাখিবা হরিশ ফিল্ম অসিদা সিন মশিং য়ামদনা থোক্লগসু মহাক্না তৌরিবা খরা অদু ভাবক্না পেনবি হায়বা য়াই। অহানবা ওইনা মহাক্না তামোয়াইগী শক্তম লাংলিবা (বোনি)গী খঙ্গ্রাউ চিংথবদা মীয়াম্না মহাকপু অয়াবা পীদুনা লাওবা কয়া অমা য়াওখি। মসিগী মথংগী সিনদা অমুক হন্না বোনিগী ফিরোল চিংথোক্লবা হোৎনবদা ইবেচাগী রোল লৌরিবী (বালা) না কাওবা সিন অদুদসু মীয়াম্না এক্ট অদুবু পেনবা ফোঙনখি। অকোনবা ওইনা মহাক্না বোনিদা লক্লবা হৌরকপদা বোনিনা ইবেচা তাকথোক্কে হায়বদগী মমাংগী থৌদোক অদুবু কিথি কিরুম তৌরগা মফম অদু থুনা থাদোক্তুনা চেনখিবা কয়া অসি মীয়াম্না থাগৎনখি।

ফিল্ম অসিদা মরুওইবা শক্তম লাংলিবা বোনি অমদি বালা মমাং চহীগী দিসেম্বর থাদা মণিপুর ফিল্ম দিভেলপমেন্ট কোরপোরেসননা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা ৮ শুবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম ফেষ্টিভেলদা বেষ্ট এক্টর অমদি বেষ্ট এক্ট্রেসকী মনা ফংখিবা এক্টর ঙাক্তনি। মখোয় অনীনা 'য়াইস্কুলগী পাখঙ অঙাওবা' হায়বা অদুদা পুন্না মনাশিং অসি ফংখিবনি। এক্টিংদা চেকশিনবগীদমক মখোয় অনীবু এৱার্দ অসি ফংখিবনি হায়বা য়াই। 'তামোয়াইগী ইবেচা' হায়রিবা ফিল্ম অসিদা বোনি অমনি বালানা মীমান্নদ্রবা মীওইশিং শাদুনা থোরকপা অদু অয়েংবা ভাবকশিংনা তশেং তশেংনমক মীয়ামদগী লাপথোক্না লৈরবা মীওইশিং ওইনা লৌনবা য়াওই। মসিমক এক্টরশিংগী অচৌবা মায় পাকপনি হায়বা চুমগনি। ফিল্ম অসিদা নত্তনা অহানবা ওইনা পিলুগী ফিল্মদা নেগেটিব রোল শাখিবা বেবেতো হন্দক্কী ফিল্ম অসিদসু নীংথিনা এক্ট তৌখি। অদুবু মহাক্না অহানবা ওইনা পিলুগী মখাদা এক্ট তৌবা অসি ম্যুজিক এলবম 'উরৈনু' হায়বা অদুদনি। মদুদসু মহাক্না নেগেটিব রোলদা মপুং ফানা তৌখি। পিলুনা মহাক্কী এলবম অদুবু ফিল্মদা ওনখৎপা মতমদসু বেবেতোনা নেগেটিব রোল অদুমক শাখি। মীয়াম্না মহাকপু অনৌবা নেগেটিব রোলদা য়ারবা এক্টর অমা ওইরে হায়বা তাই। নহা ওইরিবা আর্টিষ্ট অসি মথংগী ফিল্ম খরদসু নেগেটিব রোলদা অদুমক উরকখিগনি।

ফিল্ম অসিগী কেমেরাগী থৌদাং লৌরিবা সঞ্জয় সি ঐচনা অয়াম্বা মতমদা মিদ সোট অমদি ক্লোজ অপ শিজিন্নদুনা ফিল্ম অসিবু নীংথিনা কন্ত্রোল তৌদুনা পুরবসু ঈশৈগী মতাং খরদদি ক্রেন শিজিন্নদুনা তোপ এঙ্গলদগী সোট লৌবা কয়া অমসুং য়াওই। মসিনা ফিল্ম অসিবু হেন্না মগুন হাপ্পী। সোট দিভাইজ য়াম্না শিজিন্নদ্রগসু মিদ সোট অমদি ক্লোজ অপনা হেন্না শিজিন্নবা কেমেরামেন অমনি হায়বা য়াই।

ফিল্ম অসিগী মপুং ওইবা অফ-ফত্তা খুদিংমক্কী দায়িত্বদি দিরেক্টর ওইরিবা পিলু ঐচকীনি। মহাক্না ফিল্ম অসি য়াম্না নীংথিনা কন্ত্রোল তৌই। লাইটসু মহাক্না য়াম্না নীংথিনা কন্ত্রোল তৌবা সিন কয়া অমা য়াওই। অশুম্না চেকশিনবা দিরেক্টরশিংগী মনুংদা লাইট অমদি কেমেরা এঙ্গল নীংথিনা চেকশিল্লগসু মেক অপকী লমদদি খর মখৈদি অদুমক লাইথোকই হায়বা তাই।















Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*